# আলেকজ্যান্দর দ গ্রেট ইদিয়ত!

মীওইবগী ইতিহাস'তা মমিং লৈরবা রুল্লরশিংগী মিং পন্নবদা 'দ গ্রেট' হায়বা মিংতপ (সফিক্স) অমমম হাপচিন্নে। আলেকজ্যান্দর দ গ্রেট ... আশোকা - দ গ্রেট ... আকবর দ গ্রেট... অলফ্রেদ দ গ্রেট.. পিটর দ গ্রেট অসিনচিংবা! তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংগী পুৱারীদসু, মাগী মাগী কাঙলূপশিংগী অচৌবা (অকনবা) নিংথৌ কয়ামরুমসু লৈ। মখোয়গী ৱারী-পুৱারীগী লামায়দা ইরিবশিং, পারুরগা খল্লি ঐখোয়না - থোইদোক হেন্দোক্না চাও শাংলবা, কন-থৌরবা, মবুদ্ধি-মরৌশিং লৈরবা, মী মরক্তই তোঙানবা মী অমনি। মতিক-মগুন-মথৌনা পূম্নমক্তই তোঙাল্লি। মখোয়গুম্বা অমই মমাঙদা ঐখোয়গুম্বা মীচম অমনা তুবৎ শম্না চৎঙমদে।

ঙসি, ঙরাং, নহালসি মমাঙঙৈগী শাথীবা তমথীবা রুল্লরশিংগী ৱারী, নহা ওইরিঙৈ পাখিবা কোকসিদা তূংশিন'-থমখিবদু মরী মরী নীংশিংলকই। কাউখ্রবা ৱারী নীংশিংদুনা শান্নরুবা, অতৈগী নত্তে, নিংথৌ লৈঙাক লৈত্রবা, মীয়ামগী মীহুৎনা ঙাকপা লৈঙাকসিগী মিনিষ্টরনফাও' অসুক চাউর'সিদবু মতমদুগী নিংথৌরেনশিং করিগীদি চাউরল্লোই... মোন্দ্রঙ অসি কদোমদৈনো খঙদনা কোকসিদা পাইশিল্লকপদগীনি। কুইদ্রি, সোসল মীদিয়াগী খূথাংদা শকখঙদবা কনাগুম্বা অমনা থাগৎলকপা ফাগিওই-করিওই তৌবা ৱাফম অমখক পারুই .... 'চা য়োন্দুনা মপুক থন্নবা হোৎনরম্বা চৌকিদার অমনা মানা ঙাক্লম্বা য়ূমদুগী ছো হেক পায়খিঙৈদগী ইমুংদুগী মমল য়াম্ল-য়াম্লবা লন-থুম-পূক্কে-লনগৈ মথং মথং য়োম্থোরক্তুনা ইমুংদু হৌজিক মরোন মরাঙ তাক্লেদনা'...। মালেমগী খ্বাইদই শক্তি লৈবা, পাৱরফুল ওইবা মখোয় তরা খনগৎপদা য়াওরিবা পোলিটিসিয়ন অমগী মরমদনি মানা হায়নীংলিবসি। কনানো হায়বদি খঙবীরম্লনি ইজররোই। ৱারী অমা লীরিবা ৱাহৈ পরেং অসিনা নীংশিংহল্লকপনি অদুঙৈগী অকনবা নিংথৌরেলশিং।

'দ গ্রেট' হায়বা টাইটল অমা নপ্লিবসি করিগীনো? খঙনরবা ৱাদুদা খরগা অমুক হেঞ্জিন্না খল্লুবনি কোকসিনা। মীগী মরোল, ইংলিস লোল'না পীবা মিংথোল ওইরবসু টাইটল অসি 'মপূম-ফাদবা, অৱাৎপা অমা লৈবগুম কন্না খল্লকই। জর্মনগী রুল্লর 'এদোল্ফ হিটলর' বু - 'দ গ্রেট দিক্টেটর' হায়না মিংথোন পীবসিগুম, ৱারেংসিগী অহৌবদা পঞ্জখ্রিবা নিংথৌ/এম্পরর/রুল্লরশিং অসিগী গ্রেটনেস অদু করিদনো? হায়ফম থোকপদু হায়রমদবগুম্বা অমা কন্না ফাওরকই। অকবরগী এদমিনিষ্ট্রেটিব - স্কিল, হিষ্ট্রিগী ওজাশিংনা ক্লাস নাইন/টেন তম্লিঙৈ, ওজাশিংনা মরীক চুম্না তম্বীরকখি। অদু ওইরবদি 'অকবর-দ গ্রেট এদমিনিষ্ট্রেতর' হায়বদা করি কায়বগে? তেন কাপ্পদা থোইদোক হেন্দোকই হায়দুনা মহাভারত' কী 'অর্জুন' বু 'দ গ্রেট আর্চর' হায়নরিদনা! অকনবা, অথৌবা হায়বসিমক্তবু মানা থোইদোক হেন্দোকপা হীরম অমদি লৈফম থোকই খল্লুবনি।

অসুম্না, ৱাখল লীশাং থারুঙৈ খল্লকই, ইতিহাসকী লমায়দা লাচন্দুনা থল্লম্লিবা থোইদোক হেন্দোকপা নিংথৌরেলশিং অসিগী 'গ্রেটনেস' (অচৌবা মীনি হায়বগী মরম) সি করিদনো? অঙাং ওইরিঙৈ পারকখি - নিংথৌরেল আশোকপু মপূক্লিং ওলহন্দুনা 'বুদ্ধিজম' দা লাইমিং লৌহনখিবা 'কলিঙ্গগী লানফম'দা মহাক্কী লান্মী লাখ অমরোমগী মপুন্সি মাঙখি, লানফমদুদা অতোপ্পা, কলিঙ্গগী লান্মী অমসুং প্রজা লাখ অমা মখায়রোমসু থৱায় মাঙখি। অদুক য়াম্বা মীগী মথ্বায় লৌখিবা লান'দুনা, মঙোন্দা করি কান্নবা পীবগে? কলিঙ্গগী ওইজবনা করি? মালেম্বু খুদুম চন্দুনা 'কনকরর ওফ দ ৱর্ল্ড' মিংথোল ফংনবা মায়থীবা লৈত্রবা লান কয়া থেংনখিবা 'নেপোলিয়ন বোনাপার্ট'না ৱাতরলুগী লানফমদা মায়থীবা নংখিবা মীকুপ'তু ফাওবদা মহাক্কী 'মালেম-খুদুম চনবগী মঙ' অদুনা মরম ওইদুনা মীওই কয়া শিহনখিবা (হাৎখিবা) হিষ্টরিগী রেকোর্দ'দা ইরমদে।

অতৈগী ৱারী তোক্লসি। গ্রেট এম্পররশিংসিগী মরক্তা খ্বাইদই মমিং চৎলবা 'আলেকজ্যান্দর' গী ৱারী মতেক অমত্তং লীজরক্কে, ইতিহাসকী লাইরিক্তা ঐখোয়না পারক-থেংনরকখিবশিংদু নত্তবা। মাগী পুন্সি ৱারীদু লীরুবইসু কান্নদে, মীয়াম্না খঙনরবদুনি। মশাগী চহী কুন শুরকপদা 'মেসিদোনিয়া' (গ্রীস) কী নিংথৌ ফম্বাল কাখি। লাইরিক খরদদি চহী ১৬ শুবদনি হায়রম্বসু থেংনৈ। এরিষ্টোটল'গুম্বা ফিলোজফর/টিচর অমনা মহৈ মশীন তম্বীরকপা, পীথোরকপা গুন কয়ানা লৈতেংবা আলেকজ্যান্দরগুম্বা নুপা অমনা রুল তৌনবগীদমক্তি 'মেসিদোনিয়া লৈবাকসি পীকমল্লি' - মপা ইবুংঙো 'ফিল্লিপ' না তত্তনা হায়রম্মী। মপাগী ৱাহৈ অসিনা নহা ওইরিবা আলেকজ্যান্দর' দা য়ূমথংনবা লৈবাকশিংদা লান্দাদুনা লৈবাকশিংদু খুদুম চন্দুনা লৌশিল্লগা মদুগীসু নিংথৌ ওইনীংবগী মঙলান অমা মঙহনখি। নিংথৌ হেক ওইবগা, অতোপ্পা লৈবাক্তা লান্দাদুনা খুদুম চন্নবগী থৌরাং নত্তনা লমদুগী চাওখৎ থৌরাং, য়াইফ থৌশিল য়াৎপগী ৱাখল পোকখিদে। য়েংথিনবা য়েক্লবসু নত্তবা য়ূমলোন্নবা নিংথৌ খুদিংমকপু খুদুম চন্নবা লৈবাক্তুগী লান্মী অমসুং প্রজাশিংবু হাত্তোকপা নত্তবা অতে পাম্বে লৈখিদে। মী হাৎপা, তূপ্পা, লোইশিনবা - থবক অসি নত্তবা অতোপ্পা থবক অমত্তা তৌখিদে আলেকজ্যান্দর অমদি মহাক্কী মতুং ইনবা খোঙলোয়শিং। মীহাৎপা মশেল পূন্না লৈমিন্নরগা অমনা অমবু থাজনবদি হৌনব্রা? মদুমক থোকখি - আলেকজ্যান্দরগী কেম্প'তুদা। মহাকমক্কী খোঙলোয়না নোংমা মঙোন্দা ওনশিন্দুনা মাগী পুন্সি তেমশিংনরকপসু য়াই। ঙসি খ্বাইদই থাজরম্বা খোঙলোই, হয়েং খ্বাইদই তমথীবা য়েক্লবগুম উরকই। মহাকপুসু হাত্তোকপা নিংথৌগীদি মথৌনি, মপামকসু হাৎলিবনি। হাৎপা! হাৎপা! হাৎপা! মী হাৎপা নত্তবা অতোপ্পা থবক তৌরক্ত্রবা আলেকজ্যান্দর, কনাবুসু থাজবা ঙম্লক্ত্রে। অতোপ্পা মী পূম্নমক্কী হিংবগী হক মৎলগা, মহাক মশা অদুদি শিবা নাইদ' হিংনীংখি। শিনাইদবা (অমর ওইবা) পুন্সি অমা লেন্নীংখি। শিগনি হায়বসি খল্লুবদনি, মহাক্না 'মাগীদমক মথ্বায় কৎকে' লৈরিবশিংবু হাত্তোকখি।

উম! অশিববু মায়থীবা পী'ঙম্বা, শিনাইদবা মপোক লেন'ঙম্বা সাধু/যোগী কয়া ভারতবর্ষ (মতমদুদা ইন্দিয়া পোক্তরি) কৌবা লমদুদা লৈ ... মহাক্না মহৈ তম্লিঙৈদা তারকখি। 'মদুগী অরোনবা লৌশিংদু লৌরুগে' ৱাখলসিনা পান্দম ওইরগনি আলেকজ্যান্দর'না 'ভারত' তম্লকখিবা। নিংথৌ পুরু'গা লাম্থেংনবা মায়থীরবা পুরুগী মথৌনা লৈবা মতৌদা পেল্লদুনা আলেকজ্যান্দরনা পুরুগী নিংথৌ খুভম হনজিনহনখিবা। ৱারীদু নত্তে মরু ওইরিবা। মাগী মী থাদোক্তুনা মায়কৈ খুদিং যোগীগী খোঙ্গুল লীহল্লম্মী। কাইনথংদা থেংনরে সাধু অমা, উজাও অমই মখাদা, মশাদা মফি থোংদনা। 'ইনিংথৌনা কৌরি সনা কোনুংদা লেঙলসি' হায়বদা সাধুদুনা য়াদরে। 'য়াদ্রবদি লুরেন কেনগনি' হায়র'ফাও, 'লুরেন অসি কক্লগা ননীংথৌদা কৎলুচো' হায়রক্লে তাবদা সাধুদুগী মনাক্তা থিন্দনা লাক্লে আলেকজ্যান্দর। তম্লে ৱাফম পূম্নমক। ... 'মাঙদা উরিবা চীংজাওসিগী অসোম ৱাংমদা শুরুং অমা থেংনগনি, শুরুংদুদা চঙলগা পীক্তকপা পুখ্রি অমা থেংনগনি অমৃতনা থল্লবা, থকউ নপুক পেন্নবা, শিবা কৌবা নাইররোই, লোম্নাইদবা পুন্সি ওইরনি'।

হরাওবনা লুতোন শাৎলবা আলেকজ্যান্দর হল্লক্লে। খল্লি, 'হয়েংদি ঐগী নুংশিবা খোঙলোয় মঙাগা অমৃতদু পুন্না থকমিন্নরুরগে'। থংনবা মীকুপ্তা খল্লকই... 'অসুক তাঙলবা শিনাইদবা মপোকপু অতোপ্পবু করিগী ফংহল্লু'দগে ইথন্তগী ওইদৌনি'...। নোং ঙানবা ঙাইঙমদনা মদোম তূমিন খোঙশানখ্রে। পুখ্রি অদু থেংনরে। খুজোক থন্না থক্কে তৌরুবমক্তদা মীরোন লোনবা ক্বাক অমা তোর্ব্বান্দুদা লৈরিবদু উরক্লে। হায়রকই, করিগীনো আলেকজ্যান্দর! নঙনা অদুক পঙলিবা? য়েংউ, ঐহাকসে অমৃত অসি থক্লুঙৈ শিবা নাইদা চহী লিচা-লিপুন কয়া লেল্লক্লবনি, শিনীংল'সু শিঙমদনা... পোকপা-শিবা হায়বসি নীংথিজবা পুন্সিগী শক্তমনি, চৎলু, তাইবঙ কুম্মৈ য়াওরুচো, শিনাইদবা মপোক পাম্লনু'...। পাউজেল অসি ফংল'তুং, আলেকজ্যান্দরনা খঞ্জখি- 'ঐসি কয়াদা পঙলম্লবা'!

ময়ূমদা হনবই খোঙচত্তনি, কাঙ অমনা চিক্তুনা পুন্সি পিখম্নখিবা, মশাগী চহী কুন্থ্রানিথোইতা ঙায়রিঙৈ।

*—ইন্দ্রকুমার*

# ইনাৎ নুংশিবা, ইশাগী শক্তম ঙাক্না হিংনীংলিবা অমদি ইমালোলবু নুংশিবগী ঈহুল চেল্লিবা শৈরেং লাইরিক 'অরোইবা অহিং' লাইরিক অসিদা মিৎয়েং অমা

কোঞ্জেংবম সরিতা ত্রিপুরাগী মচিন তুমখৎলক্লিবী নহা অইবী অমনি। মহাক কুমজা ১৯৮৭কী এপ্রিল ২৯দা নোংচুপ বাংলাগী মুর্শিদাবাদতা পোকখি অমসুং ত্রিপুরাগী বামুটিয়াদা চাউরকখি। অপোকপগী মিংনা কোঞ্জেংবম কৃষ্ণমোহন কৌই অমসুং অপোকপীগী মিংনা কোঞ্জেংবম ওংবী মায়া কৌই। কোঞ্জেংবম সরিতা ওজাগী শিনফমদা লৈদুনা মহৈরোয় কয়াবু লাইরিক লাইশু তাকপী তম্বীরি। আগরটলাগী অকাসবানিদা পাউ পাবগী থবকসু তৌরি। বাংলা অমসুং পোলিটিকেল সাইন্সতা পোষ্ট গ্রেজুএটনি। নোংথোম্বম অমিতকা পুন্সি লৈপুন ওইদুনা আগরটলাদা লৈরি। অইবী অসিগী 'মহুম লৈত্রবা উচেক্কী ৱারী' হায়না মিংথোনবা অহানবা শৈরেংগী লাইরিক অসি কুমজা ২০১১দা ফোঙখি। সাহিত্য একাদেমিনা শিনবা শৈরেং শৈদিন্নবা থৌরমশিংদা মহাক্কী শৈরেংশিং খুদোল তমখিবা লৈরে। মহাক মণিপুরী সাহিত্য পরিষদ ত্রিপুরাগী এগজিক্যুটিভ মেম্বর ওইদুনা সাহিত্যগী থবক থৌরম কয়াদা থৱায় য়াওনা হোৎনরিবী অইবী অমনি।

ইশাগী শক্তম ঙাক্না হিংবা হায়বসি ফুরুপ অচৌবা খঙদে, মচা খঙদে পূম্নমক্না পাম্নে। শক্তম ঙাক্না হিংনরি। তুংওইনবা খক য়াদে। কনাগুম্বনা হায়রিবা অসি হেক থৌওইদবা মতমদা মহাক অদু মপা মপু খঙদবা, হৌরকফম খঙদবা ওইনা লৌনৈ। মীওইবা খুন্নাই মরক্তা মহাক অদুগী ফিদা থোইনা লৈতে। মোদর্নিটিসু খরা লৌশিন্দবা য়াদে অদুগা ত্রেদিসন হায়বসিসু লোইনা হেক্তা হুন্দোক্লম্বা য়াদে। অনীমক হৈনা শিংনা লৌশিন্দুনা চাওখৎ লম্বেলদা চৎলবদি চাওখৎপা খুন্নাই হায়বদু ওই। ফুরুপ খরদি ৱেষ্টর্ন লাইফষ্টাইলদা হেন্না লুপশিন্দুনা মসিনা চাওখৎপনি খন্দুনা হিংবদা মপা মপুবু তুংওইনরমদুনা মখোয়গী অশেংবা শক্তম করিনো থিরকপদা অৱাবা ওইদবসু য়াওদবা নত্তে। মণিপুরী খোরিরোলদসু হৌজিক অনৌবা মীরোলশিংনা ইনরক্লিবা শৈরেংদা ৱারীমচাদা মশাগী আইদেন্টিটিগী, কলচরগী, পুৱারীগী মশক কঞ্জনীংবা খূৎফোঙদোকশিং মরাং কায়না থেংনরক্লি। মসিমক ঙসিগী মীরোলগী পূক্নিং ইহুলদুনি। অইবী কোঞ্জেংবম সরিতাদসু মসিমক ফাওরমগনি হায়না খল্লি।

অৱাবগী মরুপ্তি কনাসু ওইনীংলম্লোই। পূম্নমক্না পাম্লিবসু নুংঙাইবনি। অদুবু লোইবা নাই। নুংঙাইবগী মীকুপ্তী অসুক্কী মতিক তেল্লি অদুনবু হায়নৈ পুন্সি হায়বসিদি অৱাবা শংবাইনি, নুংঙাইবনা লাইতং অমনি। অৱাবগী তায়নফমদি ৱারী ওইনা লিথোকপনি, ঈশৈ ওইনা শকতোকপনি করিগুম্বদা শৈরেং ওইনা ইদুনা তেংথাবনি। মসি নৎত্রবদি ৱামৈগুম্না চাক্তুনা পুন্সি লাইমন ওইবনা কোঙ্গাইনি। পুন্সিবু মচু লোক্লিবসিদি অৱাবননি। মহাক্তী খাম্বী মৈরিগুম্বনি। অদুনা অইবী সরিতাসু শৈরেংগী অরোইবা পরেংদা ফংলিবা মহাউ অদু ফংগনি খন্না পুন্সি ঈপাক্তা ইহোন দুনা নুমিৎনা য়াচংবদা সনা মচুগী মশেক মঙাল য়ৈবদা পূম্নমক সনা ওনবগুম উরিবা মতম অদু ঙাইনা হিংনীংলি ইরদুনা লেপ্তুনা পুন্সি শৈরেং। অসিদা পূক্নিং থম্মোয়না অমত্তা ওইনা ইরুপ্তুনা চঙশিনগে হায়না খল্লি। অদুননি হায়রক্লিবা মহাক্না **শৈরেংগী অরোইবা পরেং** হায়না মিংথোনবা শৈরেংসিদা, *"নুংগী মৈচাক, থৱায়গী তেংথাখোল/য়ৈরী খোম্থাং থম্মোয়য়োন্দা/শৈরেংগী অরোইবা পরেংগী/লোইনাইদ্রবা ময়ায়গুম!/তাথরকপা নুমিৎকী/ঙাঙ্গ্রোন্না মশেক্না য়ৈবদা/তাম্না হোল্লিবা হিনাওদুনা/সনাগী হিনাও ওনখিবগুম/হে! মৃত্যু/লোমজগে ঐসু মপোকসে/নঙগী নথানুংদুদা/শৈরেংগী অরোইবা পরেংগী/লোইনাইদ্রবা ময়ায়গুম!"* (লা: ১৩)

মীতৈশিংগী শক্তম, ইনাৎকী অমসুং লাইনীং লম্বীগী অশেংবা মশক অমা উগে হায়রবদি ঐখোয়গী লাই হরাওবা অসিদা পূম্নমক উবা ফংগনি। মসিদা য়াওরি মীহৌরোলগী ৱারী, লৈশেম নোংশেম্বগী, খুম্থোকলোনগী, খুন্নাইলোনগী। মসিদা অমুকসু য়াওরি অকন-অথৌগী থৌনা লিংজেলগী মশক অমা। মসিদা য়ূম্ফম ওইদুনা মীতৈশিংগী খুন্নাই ৱারী লাক্লিবনি। মসিনা পরম কায়দনা চত্থরিবমখৈ ঐখোয়গী ফুরুপ অসি হিংদুনা লৈখিগনি। অদুবু করিগুম্বদা হৈমন-শিংমন্দুনা মসিগী পরম কায়রকপা থোক্লবদি পূম্নমক্কী অমাঙবা ওইগনি খল্লি। মণিপুরগী মপান্দা খুন্দাদুনা চাদা নাওদা শন্দোক্তুনা হিংলিবা মীতৈশিংনা ইপু ইবেন্না নীংলম্বা, লাৎলম্বা খোইয়ুম লাইশিংগী খুভম ঙসিসু লেংদনা কায়দনা অদুমক কুমওন খুদিং থৌরম পাঙথোকপা থেংনৈ। ত্রিপুরাদসু অসিগুম্বা লাই হরাওবগী থৌরম অসিমক পাঙথোক্লি। মসিমক নুংশিবগী মশকনি। কায়ফদ্রবা লিক্লমনি। অইবী সরিতাসু অসিগুম্বা লাই হরাওবগী লাইরোই নুমিৎ অমদা লাইগী থৌরম য়াওরুবদা মপূক্লিংদা ফাওরকপা থিংঙমদ্রবা মপু মবেল নুংশিবগী ঈহুল অদু অমত্তা খাক্তনা শৈথারকপদুনি মহাক্কী **অরোইবা অহিং** হায়না মিংথোনবা শৈরেংসিদা ফোঙদোক্লিবসি।

*"লমদেন লাইরেম্বী ঈৱাৎপগী/ঙসি লাইরোই নুমিৎনি/হরাওবগী অরোইবা অহিংনি,/য়েংঙুনে ফাওদোরক্লে থাবল/উনিংথৌ পাম্বীগী অকংবা/উনারক্তগী কুফেৎ কাফেৎ কুফেৎ কাফেৎ/চহী ১১ মতুংদনি/কুমসি লাইবাউ তারীবসি,/নোংলৈনা ময়ূম হুমদোকখ্রবা/পীতৎ-পাতৎলবা চেক্লাচাগুম/মীরমসিদা চনীং তারক্তবা/ইশানা ইশাবু খঙদনা/লমজা-শরাগুম হিংলক্লি/* মীরমদা তুশোন মানশোন্নদুনা হিংলিবা পুন্সিশিংদা অসিগুম্বা লাই হরাওবগী থৌরমসিনা নৌহৌনা থৌনা পীরি। লীংজেল হাপ্লি। হেন্না পাঙ্গল কলহল্লি। ইপু ইবেন্না চৎলম্বা লিক্লমদা মখোয়সু কায়দনা চৎলি। লাইরোই নুমিৎতা মীকোন থাগোনবা য়াওদুনা অহিং য়ারেক্তুনা লাইগী থৌরম য়াওবনা পূম্নমক য়াইফগনি হায়না চেৎনা থাজবসু থল্লি অদুনা হায়রক্লি, "... *"ঙসিদি ঐখোয়গী শুমাঙ/পূক্লিংসু হকচাংসু/তাইরেন পূম্ফাইনা শেংদোকখরে,/মীপাইনীংঙাই করি লৈরি! ঙসি অহিং য়ারেক্তবা য়াদে/ঙসি লাইরোই নুমিৎনি/হরাওবগী অরোইবা অহিংনি"* (লা: ২৬)

মালেমগী চাওখৎলবা লৈবাকশিংগী নাগরিকশিংনা মশাগী মমালোল ঙাঙলগা চাওথোকচৈ। মমালোলদা মহৈ মশীন লাইরিক লাইশু তাকপী তম্বীরি। মসিদা মখোয়দা নুংঙাইজৈ অহেনবা পূক্লিং লৌশিং ওইবা য়াবা খঙজিন্নবা হোৎনৈ। মখোয়গী পুৱারীবু কাউবা লৈতে। মীতৌ তম্লগা চাওখৎকনি হায়বা ৱাখল্লোন অদুদগী লাপ্পা লৈনবা হোৎনৈ। অদুবু ইরমদম মণিপুরদদি চাওখৎপা হায়বসিগী ৱাহম্থোক অসিমক ওন্ন-তৈনরি। মীরোলদা লাইরিক তম্বদুনা মীরোল ঙাঙবা হৈরগা লাইরিক হৈবনি হায়বা অরানবা ৱাখল্লোন অমদা চৎখিবগুম তৌরি। মসিমক মণিপুর মপান্দা লৈরিবা ইচিল ইনাওশিংনদি ইমালোলগী মরু ওইবসি উই অমসুং খঙই। মখোয়না ইরমদম মণিপুরদা লাক্লগা ইমালোল পেন্না ঙাঙজরগা মীৎলু ইরা ইহৌনা নুংশিনা ৱারী তৌগনি। করম্না দি নুংশিজদবা ঙমগনি পলেম্না নুংশিনা তম্বীবা ইমালোল। অদুনা নুংশিনা শৈথারকই অইবী সরিতানসু, **নুংশিবী মৈতৈলোল** *"মপোক লীশিং কয়াগী/নীংজরকপা খৌরাংজরকপনা/থেংনজরে ঙসিদি তুরেল অমা/ঐগী ইমালোলগী তুরেল!/তন্দনগী খুঞ্জাও অমদা/ঙাল্লে খল্লুরবা ঐগী পুন্সি/ঐগী পুন্সি হিনাওনা/তাওথজরে ঙসিদি ইনীং তম্না নোক-খেনা/ইমালোলগী ঈচেলদা।"* (লা: ৪১) মসিদসু নত্তনা অমুক্তসু শৈথাজদবা ঙমদে ইমালোলবু লাইনীং ওইজদুনা মহাক্কী মরমদা অদুননি শৈরেংগী পরেংশিংদা ইদবা ঙমদনা ইরক্লিবা **নীংজবা পম্থুংফম** হায়না মিংথোন্দুনা *"থম্মোয়গী লমতুপ খুদিংদা/ইমাগী মীনুংশি ফংজবনা/ইমালোলগী ফজবনা কেজবনা/ঐগী মীনোক পূম্বা অর্থ চেল্লি/পলেমগী খূয়াতবু শোকচরি পূক্লিংনা/মীরোলগী লাইশোনসু তারি/লাই য়াহৌবগী পেনাগী সুরগুম্না/চীনবালদদা নত্তে ঐগী ইমালোল ঐগী ইমাগী মতম্বাক/নমোম্না তাঞ্জবা পম্থুংনি।* (লা: ৩৯)

পুৱারীগী তাঙ্কক অমদা অদুঙৈ চহী তরেৎ খুন্তাকপগী মতমদুদা পুন্সি চেংজেল নম্বো পোদুনা খুন হোংখিবা মীতৈশিংনা মীরমদা থৌনা ফনা হিংদুনা লাকখি অৱা অনা কোঙ্গাই মায়োক্লদুনা। অসিগুম্বা থৌদোক অমদা তখেলদা খুন্দাখিবা মীতৈশিং ঙসিসু চাদা নাওদা, চারোল শুরোল কয়া হিংলি। তৌইগুম্বসুং মীশিং য়ামদবা অমসুং অচৌবা ফুরুপশিংগী মরক্তা ইশাগী শক্তম ঙাক্না হিংবা হায়বসি তরাইবা থবক অমদি নত্তে। অচৌবা ঈপাক্তা অপীকপা তুরেলগী ঈচেলনা ঈতিনখিবদা তুরেলগী ৱারীদি করিগুম্বদা নীংশিংবা থোকখিদবসু য়াওদবা নত্তে। থম্মোয়নদি করম্না নুংঙাইগনি, পূক্লিংনদি করম হায়না য়ানীংগনি ইমালোলদা নুংশিনা কৌরম্বা মিংথোলশিংনা মীগী মরোলদা তপ্না তপ্না ওম্থোকখিবা হায়বসি। ফনা য়াম্না হোৎনদুনা অথিংবা থম্নিংলবসু চেম্থরক্লিবা অওনবা অসিদা কবি সরিতাসু নুংঙাইতবা অমদি ফাওরি **তখেলগী ৱারী** হেক হেক নীংশিংলুবদা অদুনা থম্মোয় হিক্না পাউমেল্লক্লি, *"ইমালোলগী মিংথোলশিং/তপ্না তপ্না খজিক খজিক/মূথরকই শিথরকই/মীরোলগী লোলনা থোনখিবা/লৈকায়গী অনৌবা মিংথোলশিং/খুনৌ, উনুং, লৈরাংকাবী/ ষণশেন লৈকায়, পুখ্রি লৈকায়/মমিং কয়া অসুম্মক মাঙখি/চহী চাম্মগী পুৱারী/ঙরাংগী উফুলনা কূপশিনখি।"* (লা: ৪৫)

মীৎনা উনা উনা খঙনা খঙনা ঙসিদি চাওরবা ৱাংলবা চীংমায় কয়া চাওখৎপগী মিংদা ঙম্নমক মরূ কোকখ্রে। চম্না হিংজরম্বা চীংমীশিং, খুল মচা মচা কয়া (শেঞ্জাও পায়বশিং মখোয়গী খূবাম্নুংদা থমজিনখ্রে। তলা নাচুম্বা উপাল উরেল অচৌবা কয়া মরূ মরা ফূক্তুনা মাঙহল্লক্লি। ঈংনা চিক্না লৈরম্বা চীংনুংগী খুলশিংগী ৱারী নীংশিংবতা ঙাইশিল্লক্লি।

মসিদা করম্না মিপাইদবা ঙমগনি কবি সরিতাসু। অদুনা চীংলৈমা ইমাবু কৌদুনা তেংথারক্লিবনি পেন্দবা নুংঙাইতবা অমগা লোয়ননা হায়রক্লি মহাক্কী শৈরেং, **নোংশা অমোম ওল্লসি"** হায়বসিদা *"মখোয়না শম্বলদু থুদেকপীখ্রে/মখোয়না খাঙপোকশিংদু মৈ থাখ্রে/লৈরংগী য়ূমশিংবুসু য়োৎশিনবীখ্রে, মখয়াত্তা/অদুগা,/ঐখোয়দি কেকু লোৎপী শান্নরি। তুঙ্গোল থনবা লেম্লৈশিং/সনা মচুগী ফৌরেলশিং/ওনখ্রে ঙম্না চীনবুং ৱারী..."* (লা: ৪৯)

সরিতাগী শৈরেংশিংদা ইমালোল নুংশিবগী অমসুং ঈনাৎপু য়োকখৎনীংবা অমসুং হিংহন্নীংবগী মমি চাওনা তারি। মহৌশাগী কায়থরক্লিবা শক্তমসু কঞ্জনীংলি। শৈরেং অয়াম্বা য়াম্না শাংদবা অদুগা তেন্তক্না হায়নীংলিবা ফোঙদোক্লিংলিবদু ময়েক শেংনা ফোঙদোকপা থেংনৈ। শৈরেং পূন্না ২৫সিমক মীতৈ ময়েক্তসু হাপ্তুনা হৌজিক্কী মীরোলনা পাবদসু খুদোংচানবা হাপ্লী। পূক্লিং থৌগৎনীংঙাইনি। মতুংদসু শৈরেং লাইরিক লেপ্তুনা ফোঙলকখিগনি হায়না থাজবা থমজরি।

*—তোংব্রম অমরজিৎ*



কোঞ্জেংবম সরিতা

লাইরিক্কী মমিং :- **অরোইবা অহিং (২০২০)**
অইবা :- **কোঞ্জেংবম সরিতা**
লাইরিক্কী মখল :- **শৈরেং**
অফোঙবা :- **সতীনাথ সরকার, ত্রিপুরাবাণী প্রকাশনী দত্ত সুপার মার্কেট, শকুন্তলা রোদ, আগরটলা**
লাইরিক্কী মখুম :- **পুস্পল দেব**
লাইরিক্কী মমল :- **লুপা ১৭০/-**
লমায় মশীং :- **৭২**




# পলহৌরবা কাউশিং (৪)

মগুলোবু মণিপুর ইমাগী মমোম চীংমী নিঙোল রানি মিংথোল ফংখ্রবী 'গাইদিনলিয়ু' গী মরমগীদমক ওজা কেংসুংবৌ, ডা. হুনিবৌ, ছাত্র অনী সমজেলুং, হেলুনৈ, দ্রাইভর খুমবোংময়ূম নাউবগা ২৩/৪/২০২২দা চৎলি। মফম অদুদা মাউন্ট কিশা হায়বা সমুদ্রগী লৈমায়দগী মিটর ১৪৬২ ৱাংবা, নূঙগী চাওরবা শুরুং অমা লৈ। মসি য়াম্না মরু ওইবা শুরুং ওইরক্লি। মফমসি রোংমৈ ফুরুপকী রানি গাইদিনলিয়ুগী খোঙমীশিংগা লোয়ননা লৈরম্বা মফমনি। গাইদিনলিয়ুগী মরমদা হংলুবদা অসুম্না তাকপীরকখি, নূঙকাও/লুংকাও হায়বা মফমসিদা গাইদিনলিয়ু পোকখি। অপোকপগী মমিংনা লোথানং, অপোকপীগীনা কালোৎলেনলিউ কৌই। মখোয় মচিল মনাও নিপালনি, নুপা মঙা, নুপী অহুমনি গাইদিনলিয়ুনা অহুমশুবা মচানি। মহাক ২৬-১-১৯১৫, লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পোকখি। ২৭-৪-১৮৯১দগী মণিপুর বৃটিশকী মখা পোনখি। মসিগী মতুংদগী বৃটিশকী সিফাইশিংগী পোৎথাং পুবগী চৎনবী, খুলগী য়ূমথোঙ খুদিংগী, য়ূমগী খাজনা লুপা অহুম লৌবগী চৎন-কাঙলোনসি মহাক য়াখিদে। মতমদুগী লৈঙাক্কী মায়োক্তা মীয়ামগী ঈহৌ শাগৎলকখি। মসিগীদমক বৃটিশনা মাবু ফানবা থিরকখি। মহাক্কী অঙকপা মগুণ অমদি মসিনি - রোংমৈ, জেমে, লিয়াংমৈ, মৈতৈলোল, নেপালি, খাসি, মিজো, নাগামিজ, বেঙ্গোলি অমসুং অসামি লোলশিংসি খঙই। মহাক শা-উচেক হাৎপগী মায়োক্তা লৈ। ১৮-১০-১৯৩২দা পৈলোতা হায়না খঙনবা খুলদুদগী অসাম রাইফলসকী কেপ্তেন মেকদোনাল্ড কম্মান্দেন্টনা ফাখি। মতমদুদা মহাক মশাগী চহী ১৭ লোম শুরকপদা ঙাইরি। চহী ১৪ জেলদা লৈখি। অইবসিনা গাইদিনলিয়ুগী লমাই খরদি হাংদোক্লে, থিজিনগদবা য়াম্না লৈরি। তেল্লবা খোঙচৎনিনা তামৈগীদমক খোঙশাল্লকখি।

অইবা ওজা শরতকী লাইরিকসিদা অইবগী তারিবা মমি পারুবদা থোইদোক্না অপন অরাক য়াওদনা পাখিবদগী চেনা মথং মথং হাংদোকহন্নীংবা পোকহল্লি। মহাক লমকোয়বা পাম্বা অমদি লমকোয় ৱারী ইগদবা মীশকনি। মহাক্না চৎলুবা খোঙচৎশিংগী তারিখ, মফমদুগী ঈশিং নুংশিৎ, শক্তম ময়েক শেংনা থমই। "তেজপুরদা চয়োল অমা" লমায় ৪৫ (অয়েকপা লাই উরুরগা পোৎশক্তুগী মশক মওং খরদি খঙবা ঙম্বা য়াই, মদুমক্না পোৎশক্তুগী অশেংবা মশক মওংনি হায়বদুদি লানগনি)। মসিনি মাগী মিৎয়েং, মসিদনি লমকোয় ৱারী ইগদবা মীশকনি হায়রিবসি।

কোলেজগী ওজা ওইরকপনা মহৈরোয়শিংদা মণিপুরীগী ওজা ওইনা য়াম্না ফজবা পাউরৌ ৱাহৈ মফম মতম মতাং চানা শীজিন্নে। বজার শেন্দ্রাং লমায় ৬৭ (অদুবু মীওই খরনদি নৱা লৌদে হায়দুনা নুপীশিংগী থৌদাং লিংজেলবু উৎতা ঘী হৈবগুম হৈদোকপীরি। ৱারেং অসিমক্কী লমায় ৫১ (অমুকসু খল্লকখি, তেজপুরদা চয়োল অমা, লমায় ৬১ (মদুদি লোক্তাক্তা থুম-খূবাম অমা থাদখিবগুম্বনি)। পাউরৌসি খরদং লৌখৎচবনি।

লম কোয়বদা থেংনরকপা মরু ওইবশিং ময়েক শেংনা থিজিল্লকপগী মতাংদা তেজপুর থোনখিবগী মতাং, মথংদা 'কালিয়া ভুমড়া সেতু থোং' অমদি 'পরুৱা চাড়ালি', 'তেজপুরদা চয়োল অমা' হায়বা ৱারেংসিদা থেংনৈ। 'ঙমখৈগী খোঙচৎ অমদা" বরাক তুরেলগী খ্বাইরাকপা ইরেল' "খ্বাইরাকপা কনানো" চহী তরেৎ খুন্তাকপগা মরী লৈনবনিনা থিজিনবগী মথৌ তাবরা খল্লি। "ঙমখৈগী খোঙচৎ অমদা" লমায় ২৫" মৈখেত্তা ঙাওবা, উপুদা ঙাওবা, চৈতেক্তা ঙাওবা, লম্পাক্তা ঙাওবা, চেজেৎতা ঙাওবা হায়দুনা মীওইবগী পূক্লিং ৱাখলগা মরী লৈনবশিং পুথোক্লি।

মৈখেত্তা ঙাওবা- মশাতগী খনবদা মমিৎ তাংলবা কাঙবুদুনি। মণিপুরগী চীং ঙসি করি ওইরি, নোংজু নুংশাগী ফীভম হোংলে, থক্লবা ঈশিংগী অৱাবা মায়োক্লরে, তম্পাক্তনা 'লৌশিংগী লনগৈ উৎ ওনখরে' লাইবকথীবা নুমিৎতুনি "উৎ ওনবা নুমিৎ" খ্বাইদগী তমথীবা নুমিৎ, মসিনি মৈখেৎতা ঙাওবা।

উপুদা ঙাওবা - মীয়ামগী খন্দবা, মশাতগী খনবা, কাঙবু অমগী খূৎঙাওনি। উপুদা ঙাওবা, দেমোক্রেসিগী খুদোংচাবা লৌদুনা মীয়ামগী ঈ চূপ্পা খুদিংমক উপুদা ঙাওবা কাঙবুনি। চমজরবা মীয়াম অমনা হিংনবা হিংবদা শকফম শোকচিল্লকপা, উপুদা ঙাওবা কাঙবুনা তেল্লবা মতম খরগী মনুংদা ময়ূম মকৈ কোনুং ওম্থোরকপা মসিনি উপুদা ঙাওবা।

লম্পাক্তা ঙাওবা - মসি চাউয়েং য়েংবদা শক্তম অনী উবা ফংই। মণিপুরগীদি শান্ন খোৎনবসি লাই হাক্তক্তগী য়াওরক্লবনি, মালেমদা শগোল লমজেল, নূঙ হুনবা, থৌরি চিংনবনচিংবা লোয়ননা থাঙ-তা ঐখোয়গী ঈদা য়াওরক্লবনি। মসিননি শান্নবদা মণিপুরনা মালেমদা শক তাক্লুরিবা, লৈঙাক অসিনা শক খঙবা হৌরকপসিদি নুংঙাই, অতোপ্পা ষ্টেট অতৈগা য়েংনরুরবদি নীংবা কায়নীংঙাই ওইরি। পেরুক চাবা শান্নরোয় কয়া লৈরি। মসিনি লম্পাক্তা ঙাওবা। হিংদবদি য়াদবনিনা অতোপ্পা ষ্টেটতা চৎখ্রিবসিনি। অতোপ্পা অমনা লম্পাক্তা নিশা শান্নবা কাঙবুনি।

চৈতেক্তা ঙাওবা - য়াম্না চমজবা, মীয়ামদা অকায়বা পীদবা, মশাগী ওইনা হুমাং মমলনা হিংজবা, লৈজবা খরনা শিন্দোক শিনজিন তৌদুনা লেল্লিবা পুন্সিদুনি ৱাৎত পাদনবা হোৎনরিবা।

চেজেৎতা ঙাওবা - মমালোলগীদমক কলম পায়রিবা, মমালোলগীমক ঙাওজরিবা কাঙবু অসিনি চেজেৎতা ঙাওবা। মণিপুরগী চেজেৎতা ঙাওবা কাঙবুসি চাদা ৯০দি চাকখুম পীকথরক্লবা ঙাক্তনি। মতম অমদদি লৈঙাক্না লাইরিক ফোঙনবা মতেং পীরম্মী। ফোঙলিবা লাইরিক্তু অমুক লৈবিরম্মী হৌজিক্তি মতেং পীখিদ্রে। সেন্ট্রেল লাইব্রেরিনা লাইরিক লৈখিদরে, এদ্যুকেসন্দা লাইরিক খরা লৈরিবা অসিসু মৈতৈ ময়েক য়াওদ্রবদি লৌহন্দরে, মৈতৈ ময়েক য়াওনবা হোৎনবদা লাইরিক অনী নম্বা তারে, মসিদা ময়েকপু য়োকখৎপীরিবা, লাইরিক লৈহন্দবা ঙল্লিবা ইবুংঙো ইবেম্মশিংনা লাইরিক তম্বগী মতেং পীহন্নবা হোৎনদবগী মমি তাই। মসি অইবশিংগী লাইবক থীবনি। পোৎকী মমল ৱাংখৎলকপগী মতুংইন্না লমায় ১০০ পানবা য়াম্না চম্বা মওংদা নম্বা লাইরিক অমদা পীক্লবদা লুপা লিশীং ৪০দি চঙলবনি। মসিদা অমুক লাইরিক ফোঙবিনবা অমদি পাবীনবা লৈতবদগী ইমালোলগীদমক লাইরিক ফোঙবা নুমিৎতা লেম্না য়েম্থোক্লিবনি। মসিনি চেজেৎতা ঙাওবা, অসাম লৈঙাক্না অইবশিংগীদমক তুং কোইবা থৌশিল অমা পুথোকখিবসি ফিদমনীংঙাইনি। ঐখোয়গী হন্দক পুথোকখিবা বডজেটতা চেজেৎতা ঙাওবশিংগীদি কনা অমত্তনা মমিং পনবীখিদবনি। চেজেৎতা ঙাওজবশিংনা হায়জবা ঙমদনা তূমিন্না লৈ। মসিমক চেজেৎতা ঙাওজবগী ফিদমনি।

*- শংলাকপম অচৌ শর্ম্মা*

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।